HUEIYEN LANPAO

# পোলিটিকেলগী কাংখোং চাইবা ফিভম মরক্তা গিলগিট-বালটিষ্টানদা মপানগী মাউন্টেন্ট এক্সপিদিসন অমত্তা লাকখিদ্রে



লাহোর, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): পাকিস্তানদা লৈরিবা পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফিভম অমদি ভিজাশিং থিন্থবনা মরম ওইদুনা কুমসিগী নিংথম থাদা গিলগিট-বালটিষ্টান (জি বি) দা চৎতুনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীং খরা কাবা পাল্লিবা মপানগী এভেঞ্চররশিংগী থৌরাংশিং ফেল ওইবগী ফিভমদা লাকপগা লোয়ননা সিজন অসিদা মপানগী মাউন্টেন্ট এক্সপিদিসন অমত্তা লমদম অসিগী চীংশিং কাবা লাকখিদ্রে হায়রি।

দোনগী রিপোর্টনা হায়, পার্মিট ফিশিং কা হেন্না ৱাংলকপা অমদি য়ুএস, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউদি অরাবিয়ানা মখোয়গী সিটিজনশিংদা পাকিস্তানদা চৎতনবা অকনবা পাউতাক পীবদগীসু লমদম অদুদা ফোরেন্নরশিং লাক্তনবগী অতোপ্পা মরু ওইবা মরমশিং ওইরি।

জিবি টুরিজম দিপার্টমেন্টগী মতুং ইন্না চহী অসিগী নিংথম থাগী এক্সপিদিসন সিজন অসিগা মরী লৈননা মপানগী এক্সপিদিসন নত্ত্রগা ট্রেক্কিং গ্রুপ অমত্তা পার্মিট পীবা লৈত্রি। লমদম অসিগী এক্সপিদিসন সিজন মহৌশানা নবেম্বরদগী ফেব্রুৱারী ফাওবনি। অমরোমদা, সিজন লোইগদবা থা অমা খরা হেনবা মতমদমক ঙাইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা এভেঞ্চর গ্রুপ অমত্তা লমদম অসিগী চীংশিং কাবা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। এভেঞ্চর গ্রুপশিংনা মখোয়গী এক্সপিদিসনগীদমক শেম শাবদা য়ামদ্রবদা থা অনী চঙবা মরম্না লমদম অসিদা হৌজিক মপানগী এক্সপিদিসন গ্রুপ অমত্তা লাকপগী থাজবা লৈখিদ্রে হায়রি।

কুমসিগী নিংথম থাগী ওইনা শুপ্পগী ফোরেন এক্সপিদিসন গ্রুপ অনীনা নঙ্গা পারবট কান্ননবা ভিজাগীদমক এপ্লাই তৌরকখি। তৌইগুম্বসুং ভিজা এপ্লাই তৌবদা থিন্থবনা মরম ওইদুনা মখোয়সু এক্সপিদিসনগী থৌরাং অদু কেন্সেল তৌখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসি নিংথম থাগী মতমদা কে ২ অমসুং নঙ্গপরবটকুম্বা অচৌবা চীংজাওশিংগী মতোনদা কান্ননবগীদমক পাকিস্তানদা মপানগী চীংকারোই চা কয়া লাকখিবা মমাঙগী চহীশিংগা তাইওন্নরি।

হৌখিবা কালেনগী মতমদা ইহান হানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল চীংকারোই ১৬০০ হেন্না জিবিদা লাকখি।

অলপাইন্দ ক্লব ওফ পাকিস্তানগী সেক্রেটরি করার হাইদ্রিনা হায়খি, মদুদি এভেঞ্চর টুরিষ্ট কয়ানা লমদম অদুদা চৎকদবা মখোয়গী খোঙচৎশিং কেন্সেল তৌখিবগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক অদুদা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী তং তাদবা অমদি কাংখোং চাইবা ফিভম অসিনি। অদুম ওইনমক জি বিগী টুর ওপরেটর অমা ওইরিবা আসগর অলি পোরিক্লদি ফোরেন এক্সপিদিসন গ্রুপশিং লাকপগী চাং হন্থরক্লিবা নত্ত্রগা লাক্ত্রিবসি মরু ওইনা ভিজা পোলিসিননি হায়রদুনা ভিজাশিং ইস্যু তৌবদা থিন্থবা অসিনা লমদম অসিদা ভিজিটরশিং লাক্ত্রিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি চীংকারোইশিংনা ভিজাগীদমক এপ্লাই হেক তৌখিবগা মখোয়দা ভিজা ইস্যু তৌবগী অককবা মতম লৈতে। মপানগী এভেঞ্চর টুরিষ্টশিংনা মমৈথংদা মখোয়গী প্লানশিং অদু মেনেজ তৌবা ঙমদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দোনগী রিপোর্টনা মমাঙগী নিংথম থাগী মতমদা কে ২ অমসুং অতৈ চীংজাওশিংদা মপানগী এক্সপিদিসন গ্রুপ কয়া ওর্গনাইজ তৌখিবা পোরিক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মপানগী এক্সপিদিসন টিমশিং লাক্তবা নত্ত্রগা হন্থরকপগী অতোপ্পা ফেক্তর অমদি চহী অসিদগী হৌরগা পার্মিট রোয়েলটি ফি চাদা ৪০ হেনগৎখিবা অসিনি।

# অফঘানিষ্টানদা উন য়াম্না তাবা অমদি ইংমনবদগী চয়োল অনীগী মনুংদা মীওই ১০৪ শিখ্রে



কাবুল, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): কুমসিগী নিংথম থাগী কা হেন্না ইংবা ফিভম অমদি উন কন্না তাবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োল অনীগী মতমদা অফঘানিষ্টানদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১০৪ শিখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা টালিবাননা লুচিংবা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মেদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ নেচরেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্সকী স্পোক্সমেন সাফিউল্লা রাহিমিনা হায়খি, মদুদি ইংমনবদগী শিখিবশিং অদু তাখর, বদক্সন, নিমরোজ, কন্দহার, লাকমন, গজনি, উরুসগান, জৌজান, সারিপুর, ফরিয়াব, অক্তিগা, বালখ, সামনগন, বনয়ানদা থোকখিবনি।

নিংথম থাগী কা হেন্না ইংবা ৱেদর মরক্তা শাগৎহনবগী সিষ্টেম লৈত্রবা শেল থুমদা খুদোংচাদ্রবা অফঘানিষ্টানদা মীয়াম্না হকচাং শাগৎহন্নবা হোৎনবদা কোয়লা, উ নত্ত্রগা লিক্যুদ গ্যাস অসি তোইনা শীজিন্নে। মীয়াম্না অসিগুম্বা পোৎশকশিং অসি শীজিন্নবা মতমদা গ্যাস লিক ওইবা নত্ত্রগা কার্বোন মোনোওক্সাইদনা মরম ওইদুনা মীশিবগী থৌদোক তোইনা থোকই। জনুৱারীগী অহানবা চয়োল লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ৩০ ফাওবগী চাংদা ইংবা হৌখিবদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কা হেন্না ইংবা ৱেদর অমসুং উন তাবগী ফিভম লৈরকখি।

হৌখিবা চয়োলদা অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ুএন ওফিস ফোর ড কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেন এফিয়র্সনা হায়খি, মদুদি কা হেন্না ইংবা ৱেদরনা মরম ওইদুনা য়ুমদা অমদি ফার্মশিংদা লোইনরিবা শাশিং শিবদগী মীওই মিলিয়ন ২১ হেন্না লৈবা লৈবাক অসিগী ইমুংশিং চিঞ্জাক অমসুং অতৈ লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিংগী সপোর্ট থুনা মথৌ তারকপা য়াই।

হন্দক্তা ফোঙখিবা য়ুএন রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টানগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমরোম চিঞ্জাক মরাং কায়না চাবা ফঙদবা নত্ত্রগা মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং চাবা ফঙদবগী ফিভম মায়োক্ন রি। অমরোমদা, লিশাং শিংনা থোরকখিবা কনফ্লিক্ট শীংথানিংঙাই ওইনা নেমথরে হায়না লৌবা য়ারবসু মফম কয়াদা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোকপা লেপ্তুবগা লোয়ননা মীয়ামগী ৱাখলদা অকিবা পোকপা অমদি হিংবদা তঙাই ফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফঙদবগী প্রোব্লেমশিং মখা তানা লৈরি।

# য়ুএনগী স্পিসল এনভোইনা লিভিয়াগী ক্রাইসিস লোইশিন্নবা মালেমগী মতেং নিখ্রে

ট্রিপোলি, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): লিভিয়ানা হৌজিক মায়োক্নরিবা ক্রাইসিস মায় পাক্না থেংনবা ঙম্নবা মালেম পুম্বনা মতেং পাঙননবা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলগী লিভিয়াগী ওইবা স্পিসল রিপ্রজেন্টেটিব অব্দুলায়ে বাথিলিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা আপিল তৌখ্রে।

লিভিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিদা পাঙথোকখিবা আরব ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী কন্সলটেটিব মীটিং অমদা শরুক য়ারুবা মতুংদা বাথিলিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীটিং অদুদা মরী লৈনবা পুন্নমক্না লুনা লৌরিবা ইস্যুশিং খন্ন-নৈনখি। ত্বিটর পোষ্ট অমদা বাথিলিনা হায়খি, মদুদি লিভিয়াগী য়ুমথংনরিবশিং য়াওনা ইন্টরনেসনেল ষ্টেক হোল্ডর পুন্নমক্না খোঞ্জেল অমত্তদা ঙাঙননবা অমদি লিভিয়াবু হৌজিক লৈরিবা মতম শাংলক্লবা ক্রাইসিস মায়োক্নবদা মতেং পাঙননবা ঐহাক্না আপিল তৌরি।

মহাক্না লিভিয়াগী পার্টিশিংদসু পুন্না ফম্মিন্নদুনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং লৈখায় তান্নদুনা অমগা অমগা য়ানবা পুরক্নবসু তকশিনখি।

অসুম তৌদুনা লিভিয়ানা অফ্রিকন-আরব লৈবাক অমা ওইনা অমুক হন্না মরু ওইবা থৌদাং লৌবা ঙম্লকপগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এক্তিব মেম্বর অমা ওইরকপসু য়াগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি চহী অমা খরা হেনবগী মমাঙদা লিভিয়ন মিলিয়ন ২.৮ না মীখলদা শরুক য়াননবা শেম শাখি। মসিনা লিভিয়নশিংনা মখোয়গী মীহুৎশিং খন্নীংবগী অপাম্বা লৈ হায়বসি উৎলি। লিভিয়নশিং তশেংনমক দিমোক্রেটিক পোলিটিকেল প্রোসেস অমগী খুত্থাংদা লৈবাক অদুদা তং তাবা ফিভম অমা লাকহনবা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লিভিয়াগী পার্টিশিংগী মরক্তা ইলেক্সনগী লোশিংগী মতাংদা অমগা অমগা য়ানদবা লৈবদগী মমাঙদা কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্নবা লেপখ্রবসু ফেল ওইখিবনি।

য়ুএন এনভোই অসিনা হায়খি, আরব ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী কন্সলটেটিব মীটিং অদু লিভিয়াদা মরা তপ্পা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা তুংগী পুন্সিগী ফিভম অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু শৌগৎপগী ময়েক লারবা খুদম চাংদম অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হাইপর সোনিক মিসাইলশিং য়াওরবা রসিয়াগী লানগী জহাজ চাইনা, সাউথ অফ্রিকাগী নেভিশিংগা ড্রিল পাঙথোকমিন্নরগনি



মোস্কো, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): অনৌবা জেনরেসনগী হাইপর সোনিক ক্রুজ মিসাইলশিং য়াওরবা রসিয়াগী লানগী জহাজ অমা লাক্লিবা ফেব্রুৱারীদা চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী নেভিশিংগা পুন্না এক্সর্সাইজ পাঙথোকমিন্নরগনি হায়না রসিয়াগী ষ্টেট এজেন্সি টাজনা হায়রি।

জির্কোন মিসাইলশিং য়াওরবা ‘এদমিনিরেল ওফ ড ফ্লিট ওফ ড সোভিএট য়ুনিয়ন গোর্স্কোপ’ হায়না খঙনবা ফ্রিগেট অদুনা জোইন্ট এক্সর্সাইজতা শরুক য়াগনি হায়না ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকপসি মসিনা অহানবনি।

মিসাইলশিং অদু খোঞ্জেলগী স্পিদতগী শরুক মাপন হেন্না য়াঙনা পাইবা ঙম্মী অমদি মখোয়গী অশানবনা কিমি ১০০০ হেল্লি। মিসাইলশিং অদু কুমজা ২০১৯ দা কম্বেট দ্যুটিদা চঙহনবা হৌখিবা এবাঙ্গর গ্লাইট ভেহিকলগা লোয়ননা রসিয়াগী হাইপর সোনিক খুৎলায়গী পূক্কৈদা মরু ওইবা আইটেমশিং ওইরি।

এদমিরেল গোস্কোপ সিরিয়াগী টার্টসতা লোজিষ্টিক সপোর্টকা মরী লৈননা চৎকনি। মদুগী মতুংদা ফ্রিগেট অসিনা চাইনিজ অমসুং সাউথ অফ্রিকান নেভিশিংগা লোয়ননা পুন্না নেবেল এক্সর্সাইজশিং পাঙথোকমিন্নগনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্তবা দিফেন্স ছোর্স অমা পল্লদুনা টাজনা হায়রি।

শগোলশেল নুমিত্তা সাউথ অফ্রিকন নেসনেল দিফেন্স ফোর্সনা হায়খি, মদুদি ফেব্রুৱারী ১৭ তগী ২৪ ফাওবা পোর্ট সিটি দর্বান অমসুং রিছাস বেগী মনাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ড্রিলশিং অদুগী পান্দমদি সাউথ অফ্রিকা, রসিয়া অমসুং চাইনাগী মতম পুম্বদা চেৎতুনা লাক্লবা মরী হেন্না ফগৎহনবনি।

এক্সর্সাইজ অদু কুমজা ২০১৯ দা ড্রিল অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা সাউথ অফ্রিকাদা লৈবাক অহুম্না পুন্না পাঙথোকমিন্নগদবা অনীশুবা এক্সর্সাইজনি হায়না দিফেন্স ফোর্সনা মসিগী ষ্টেটমেন্টদা পনখি।

য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা রসিয়ানা খোঙফম হন্দোকপা লৈরোই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা পীনবগীদমক প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা এটলান্টিক ওসিনদা গোস্কোপ থাখিবা মতুং থা অসিদা ফ্রিগেট অসিনা শরুক য়াদুনা নোর্ৱিজন সীদা মিলিটরি এক্সর্সাইজ পাঙথোকখি। রসিয়ানা হাইপর সোনিক মিসাইলশিং অসি য়ুএসকী মিসাইল দিফেন্সশিংদা হুৎচিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেনি হায়না লৌরিবনি।

# ন্যুক্লিয়র পৱার ষ্টেসনশিংদা খুৎলায় কয়া দিপ্লোই তৌখ্রে

মোস্কো, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): রসিয়াগী ফোরেন ইন্টলিজেন্স সার্ভিস (এস বি আর) না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুক্রেনবু লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়র পৱার ষ্টেসনশিংদা নোংচুপলোম্না সপ্লাই তৌখবা দিপ্লোই তৌই হায়না মরাল শীখ্রে।

তৌইগুম্বসুং এস বি আরনা ৱাফম অদুগী মতাংদা ইভিদেন্স অমত্তা পীখিদে অমদি এজেন্সিনসু ক্লেম অদুবু ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা এস বি আরনা হায়খি, য়ুএসনা সপ্লাই তৌখিবা হিমার্স রোকেট লোঞ্চরশিং, এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং অমসুং আর্টিল্লরি এম্যুনেসন য়ুক্রেনগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা রিপনে ন্যুক্লিয়র পৱার ষ্টেসনদা থমখ্রে। য়ুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা নোংচুপলোম্না পীখিবা খুৎলায়শিং অমদি এম্যুনেসন ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিংদা ওইনা থমজিনখ্রে। হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা রিপনে পৱার ষ্টেসনদা য়াম্লবা খুৎলায়শিং দেলিভর তৌখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখিবনি।

# ‘ন্যুক্লিয়র খুৎলায় ট্রিটিগী মতাংদা য়ুএসকা ৱারী শান্ননবগী মতম লেপত্রি’

মোস্কো, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): অনৌবা ষ্টার্ট ন্যুক্লিয়র আর্মস ট্রিটিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্ননবগী অনৌবা তারিখ লেপত্রি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়ানা ফোঙদোকখ্রে অমসুং য়ুএসপু নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎহল্লি হায়না মরাল শীখ্রে।

অনৌবা ষ্টার্ট ন্যুক্লিয়র আর্মদ রিদক্সন ট্রিটিগী মখাদা মোস্কো অমসুং ৱাশিংতনগী মরক্তা ইন্সপেক্সন হৌবগী মতাংদা হৌখিবা নবেম্বরদা ইজিপ্টতা ৱারী শান্ননবা লেপখিবনি। তৌইগুম্বসুং রসিয়ানা ৱারী শান্নবদু য়ৈথোকখি। মদুদগী নাকল অমত্তনা মীটিং অদুগী অনৌবা তারিখ অমত্তা হৌদোক্তনা লাকখি।

দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি রিয়াকোবনা হায়খি, মদুদি নাকল অনীমক্কী ষ্ট্রেটেজিক ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিংগী মশিংদা পনখে লৈহল্লিবা ট্রিটি অদুগী মতাংদা নৌনা ৱারী শান্ননবগীদমক কন্দিসনশিং থন্বা হায়বসি চুমদে।

তশেংনমক হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুদা মরু ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙাঙলকপদা অমদি তৌথোরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী মতৌ লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা ৱারী শান্ননবগী অনৌবা তারিখ লেপ্পা য়াদ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবদগী য়ুএস অমসুং রসিয়াগী মরী হৌখিবা চহীদা হান্নদগী হেন্না শোকচিল্লকখি। য়ুক্রেনদা এটেক তৌবগা মরী লৈননা ৱাশিংতন অমদি মসিগী মীচংশিংনা রসিয়াগী ইকনোমিগী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী অথিংবশিং থমখিবনি।

য়ুএস মেরিন ভেটরন ট্রেবোরিট অমসুং বাস্কেটবোল ষ্টার ব্রিটনি গ্রিনর চেন্নখিবা প্রিজনরশিং একচেঞ্জ তৌনবা য়াওনা হিরম খরদা মরক মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা মায় পাকপা খরা লৈখ্রবসু নাকল অনীগী মরক্তা হকথেংননা অৱাংবা থাক্তা কন্টেক্ট তৌনবা লেপ্তুনা লাক্লি হায়বা য়াই।

কুমজা ২০২৬ কী ফেব্রুৱারীদা মতম লোইরগদবা অনৌবা ষ্টার্ট ট্রিটিগী মখাদা ইন্সপেক্সনশিং পাঙথোকপগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবা কেন্সেল তৌবা নত্তনা অতৈ তৌনিংঙাই লৈতে হায়না মোস্কোনা হৌখিবা নবেম্বরদা হৌদোকখিবনি।

# দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম ফেল ওইবদগী পাকিষ্টানদা পাক্তন্না মৈ ফঙখিদ্রে



ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী ইলেক্ট্রিসিটি দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম ফেল ওইবদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন কয়া মৈগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইনজি ন্না হায়রি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্টদা হায়, নেসনেল গ্রিদকী ফ্রিক্বেন্সি খঙহৌদনা হন্থখিবদগী লৈবাক শীন থুংনা পৱার সপ্লাই লেপ্পগী ফিভম লাকখিবনি। অহানবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নেসনেল গ্রিদ সিষ্টেমগী সিষ্টেম ফ্রিক্বেন্সি অয়ুক পুং ৭.৩৪ তাবা মতমদা হন্থখি।

মসিনা মরম ওইদুনা পৱার সপ্লাই সিষ্টেমদা পাক শন্না ফেল ওইখি। য়ারিমখৈ থুনা সিষ্টেম অদু হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিলহন্নবা ফার্ষ্ট ট্রেক্তা কন্না হোৎনরি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোকেল মেদিয়ানা মিনিষ্ট্রি অসিগী মশক মমিং তাকথোক্তবা ওফিসলশিং পল্লদুনা হায়রি, মদুদি সিষ্টেম মপুং ফানা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবদা পুং ২৪ চঙবা য়াই।

লোকেল রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না কেপিটেল ইস্লামাবাদ, লাহোর, করাচি, পেসৱার অমসুং ক্বেটা য়াওনা পাকিষ্টানগী মরু ওইবা সিটি পুন্নমক মৈগী সপ্লাই মপুং ফানা তৎখি। ক্বেটা ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই কম্পেনিনা লোকেল মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী দিষ্ট্রিক্ট ২২ মৈ ফঙদনা লৈরে।

অমরোমদা, পাকিষ্টাননা মপানদগী মোবাইল ফোনশিং ইম্পোর্ট তৌবগী চাং হৌজিক্কী শেনবা চহী ২০২২-২০২৩ গী অহানবা তঙ্খায় মনুংদা চাদা ৬৬ হন্থখি। মোবাইল ফোন ইম্পোর্টশিং মমাঙগী শেনবা চহী মান্নবা মতমদা চাংদম্নবদা পীরিবা চাং অসিদা হন্থরকখিবনি।

কুমজা ২০২১-২২ শেনবা চহীগী জুলাই-দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা দোল্লর মিলিয়ন ১,০৯০.৬৪ ইম্পোর্ট তৌখিবগা চাংদম্নবদা চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মান্নবা থাশিংগী মনুংদা দোল্লর মিলিয়ন ৩৬২.৮৬ কী মোবাইল ফোনশিং ইম্পোর্ট তৌখি।

মসিনা মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা হন্দক্কী চহীদদি ইম্পোর্টকী চাং চাদা ৬৬.৭৩ হন্থে হায়বসি উৎলি হায়না পাকিষ্টান ব্যুরো ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স (পি বি এস) না হায়রি।

চৈরকসিদা কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরগা চাংদম্নবদা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা পাকিষ্টাননা মপানদগী মোবাইল লৈবগী চাং চাদা ৬৯.১ হন্থখি হায়নসু ব্যুরো অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক থা থাগী ওইনা য়েংবদদি মোবাইল ফোনশিং পুশিল্লকপগী চাং কুমজা ২০২২গী নবেম্বরদা তৌখিবা ইম্পোর্টকী শেনফম দোল্লর মিলিয়ন ৬৪.৫২ গা চাংদম্নবদা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদদি ইম্পোর্টকী শেনফম অসি চাদা ১২.০৪ হেনখি হায়বসি পি বি এসকী দেটানা উৎখি।

# ইরাক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা আই এস মিলিটেন্ট মঙা শিখ্রে



বাঘদাদ, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইরাক্কী সলাউদ্দিন প্রোভিন্সতা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক্তা শিখিবা মিলিটেন্ট মঙা শুরে হায়না ইরাক্কী মিলিটরিনা হায়রি।

জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দ (জে ও সি) ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ইরাক্কী এয়রক্রাফটনা বোম থাদখিবা ইষ্টর্ন সলাউদ্দিনগী চীংনুং মানুংগী মনুং চনবা আই এসকী লোৎফমদা লান্মীশিংনা থী হুম্বা চথবদা আই এস মিলিটেন্ট অনীগী হকচাংশিং অমদি অতোপ্পা মিলিটেন্ট অহুমগী হকচাংগী শরুকশিং থেংনখি। হকচাংশিং অদুতা নত্তনা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুনচিংবা খুৎলায়শিংসু থেংনখি।

জে ও সিনা মমাঙদা থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ইরাক্কী এয়রক্রাফটনা টুস কুরমাটোগা নক্লনা লৈবা আই এস মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অনীদা এয়র ষ্ট্রাইক এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবদা মিলিটেন্ট মঙা অদু শিখিবনি। কুমজা ২০১৭ দা ইস্লামিক ষ্টেট মায়থীবা পীখিবদগী ইরাক্তা সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাশিং অমদি চীংনুং মানুং কয়াদা চঙশিন্দুনা লোৎখিবা আইএস মিলিটেন্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচমশিংগী মায়োক্তা গুরিলা এটেকশিং তোইনা চথদুনা লাকখি।

# সাউদি প্রোজেক্টনা য়েমেনদা চয়োল অমগী মনুংদা মাইন ১০৪৫ লৌথোকপা ঙমখ্রে

সানা, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): জনুৱারীগী অহুমশুবা চয়োলদা লানগী চৈথেং নঙলবা আরব লৈবাক য়েমেনদা মাইন ১০৪৫ ক্লিয়র তৌখি হায়না সাউদি প্রোজেক্ট ফোর লেন্দ মাইন ক্লিয়ারেন্স ইন য়েমেন (মাসাম) না লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা মাসামনা হায়খি, মদুদি মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অদুগী ধালিয়া, সবৱা, হোদৈদা অমসুং টাইসতা প্রোজেক্ট অসিনা এন্টি-পর্সনেল মাইন ১৫, এন্টি-টেঙ্ক মাইন ১৩১, পোকখায়দবা ওর্দনান্স ৮৯৬ অমসুং অতৈ এক্সপ্লোসিব দিবাইস অহুম লৌথোকখি।

কুমজা ২০১৮ দা য়েমেনদা সাউদি প্রোজেক্ট অদু লোঞ্চ তৌখিবদগী হৌথিশিংনা ফুমখিবা মাইন ৩৮৩,১৯৩ লৌথোকখি। মাইন লৌথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরিবা ওইরবসু হৌথি মিলিসিয়া কাঙবুশিংনা ফুমজিনখিবা লেন্দ মাইনশিং অমসুং আই ই দিশিং অসিনা য়েমেনগী মীচমশিংদা মখা তানা অকিবা পীদুনা লৈরি।

য়েমেনগী প্রো-গভর্ণমেন্ট দিমাইনিং এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না হৌথি মিলিসিয়ানা য়েমেনগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কয়া নম্ফুদা কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা মালেম্না য়াবা গভর্ণমেন্ট কেপিটেল সানাদগী ইস্নোকখিবা কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা সিভিল ৱার থোকপা হৌখিবদগী মিলিসিয়া গ্রুপ অসিনা লেন্দ মাইন মিলিয়ন অমা হেন্না ফুমখি।

# থাইলেন্দদা মমাঙগী চহীদা টুরিষ্টশিং মশিং য়াম্না লাকখি

বেঙ্কোক, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২ দা থাইলেন্দদা টুরিষ্ট মিলিয়ন ১১৮.১ লাক্তুনা মমাঙগী চহীদা লাকখিবা টুরিষ্ট মশিং ৪০০,০০০ দগী য়াম্না হেনখি। তৌইগুম্বসুং মশিং অসি কোভিদ পেন্দামিক্কী মমাঙ কুমজা ২০১৯ দা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা লাকখিবা মীওই মশিং মিলিয়ন ৩৯.৮ তগীদি য়াম্না হন্থরি হায়রি।

থাইলেন্দদা লাকখিবা টুরিষ্টশিংগী মশিং অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা টুরিজম ওথোরিটি ওফ থাইলেন্দ (টি এ টি) না রিলিজ তৌখিবনি। চহী অসিদা লাক্কদবা টুরিষ্টশিংগী মশিং অদু কুমজা ২০২২ দা লাকখিবা মশিংদগী শরুক অনী হেনগৎতুনা মিলিয়ন ২৫ য়ৌগনি হায়নসু টি এ টিনা প্রিদিক্সন পীখি। জুন থা হৌরকপদগী লৈবাক অসিনা মপানগী ভিজিটরশিংদা বাট ৩০০ (দোল্লর ৯.২০) চার্জ তৌবা হৌরগনি। লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা চহী অমদা টুরিষ্টশিংগী মশিং মিলিয়ন ৮০ দা হেনগৎহনবগী টার্গেট থল্লি।

টি এ টিনা হায়রি, মদুদি থাইলেন্দগী টুরিজমদগী লাকপা রিভেন্যু অসি কুমজা ২০১৯ দা লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) গী চাদা ১০ হেনখি। কুমজা ২০২১ দা জি দি পিগী চাদা অমত্তমক ওইখি।

পেন্দামিক মমাঙদা লাকখিবা ভিজিটরশিংগী মশিং অদুগী শরুক অনীগী মথক্তা হেনগৎহনবগী পান্দম থমদুনা থাই গভর্ণমেন্টনা টুরিজমগী চাদিং দোল্লর বিলিয়ন ১৫০ গী মথক ওইগনি হায়না থাজরি।

গভর্ণমেন্টগী পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়রি, মদুদি টার্গেট অসি এচিব তৌবগা লৈবাক অসিগী টুরিজম রিভেন্যু কুমজা ২০২৭ দা বাট ট্রিলিয়ন মঙাদা হেনগৎলক্কনি।

ভিজিটরশিংগী য়েংদুনা থাইলেন্দনা টুরিজম সেফতি ষ্টেন্দর্দস অপগ্রেদ তৌননবা থৌরাং তৌরি হায়নসু ফেসবুক পোষ্ট অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিনা পনখি।

# পোলেন্দনা য়ুক্রেনদা লেপর্দ টেঙ্কশিং থানিংবগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে

ৱারশো, জনুৱারী ২৩ (এজেন্সী): পোলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টরনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা য়ুক্রেনদা লেপর্দ টেঙ্কশিং থাননবা জমর্নিদগী অয়াবা লৌরগনি অমসুং টেঙ্কশিং অদু বর্লিননা য়ারবসু য়াদ্রবসু থাননবা লেপ্লে।

করিগুম্বা পোলেন্দনা য়ুক্রেনদা লেপর্দ টেঙ্কশিং থাবা পাম্লবদি বর্লিননা মদুদা অয়েৎপা পীরোই হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা জমর্নিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রবনি।

জমর্নিনা শাবা লেপর্দ ২ টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা সপ্লাই তৌবগী ইস্যু অসি হন্দক্তা নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা য়ুক্রেনদা করম করম্বা মখলগী মচাক মথুমশিং পীদুনা মতেং পাঙগদগে অমসুং পোৎশকশিং অদু কয়াম য়াম্না পীগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখিবা মতমদা য়াওখিবনি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা চহী অমা ফাজিল্লকপগা লোয়ননা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা জমর্নিগী কেপিটেল বর্লিনদা লৈবা য়ুএসকী এয়র বেজ অমদা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**OFFICE OF THE**
**MANIPUR BUILDING AND OTHER CONSTRUCTION**
**WORKERS’ WELFARE BOARD**
**2ND FLOOR NORTH AOC, IMPHAL**

**REQUEST FOR PROPOSAL (RfP)**
Imphal, the 19th January, 2023

**No. MBCWB/SKD-20:** Manipur Building and Other Construction Workers’ Welfare Board (MBOCWWB) under the Department of Skill, Labour, Employment and Entrepreneurship (SLEE), Government of Manipur invites sealed proposals from reputed firms/agencies/organizations for empanelment as Training Providers (TPs) for imparting skill training under Skill Development Training scheme of MBOCWWB.

2. Interested firms/organizations seeking empanelment as Training Provider are requested to submit their proposals to the undersigned on or before 28.02.2023 by 14:00 hrs through post/by hand along with a Demand Draft of Rs. 5,000/- (Rupees Five Thousand only) drawn in favour of “Manipur Building and Other Construction Workers’ Welfare Board” payable at Imphal as non-refundable processing fee. The proposals will be opened at 15:00 hrs. on the same day.

3. The application format, eligibility criteria and other terms and conditions is available at Board’s website www.manipurbcwb.in. Any corrigendum to this RfP will be uploaded only on the Board’s website.

*Sd/-* **Peter Salam**
Secretary,
Manipur Building and Other Construction
Workers’ welfare Board

HL-B/7992/24